ওনরেরি ডোক্টরেট দিগ্রী পীরক্লে

ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচএনএস):

হাওবিজম বুধিচন্দ্রদা ৱর্ল্ড হ্যুমেন রাইটস প্রোটেক্সন কম্মিসননা ওনরেরি ডোক্টরেট দিগ্রী ইন হ্যুমেন রাইটস পীরক্লে।

হৌজিক হৌজিক উরিপোক পোলেম লৈকায়দা লৈরিবা বুধিচন্দ্র থাঙ্গ চীংখাদগী লৈখিদ্রবা হাওবিজম খন্বা অমসুং য়াইমগী মচানুপানি। পোনিদচরি য়ুনিভর্সিটিদগী হ্যুমেন রাইটসতা মাষ্টর দিগ্রী পাস তৌবা অহানবা মণিপুরী মচানি। সুপ্রিম কোর্টকী চীফ জষ্টিস ওইরম্বা রঙ্গনাথ মিশ্রানা নেসনল প্রসিদেন্ট ওইবা অদুগা হান্নগী এম পি অঙৌনা ষ্টেট প্রসিদেন্ট ওইবা কোংগ্রেসকী হ্যুমেন রাইটস দিপার্টমেন্টতা কুমজা ২০০৩দগী মতম খরা জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুরম্মী। লোগী দিগ্রীসু পায়রবা বুধিচন্দ্র হৌজিক হৌজিক ৱর্ল্ড হ্যুমেন রাইটস প্রোটেক্সন কম্মিসনগী নেসনল মেম্বর ওইনা থৌ পুরিবনি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	86.726345
US Dollar	72.947852
British Pound	101.218188
Australian Dollar	56.108235
Chinese Yuan Renminbi	11.202684
Japanese Yen	0.670245
Malaysian Ringgit	17.677024
Singapore Dollar	54.139781
South Korean Won	0.063858
Saudi Arabian Riyal	19.452760
Thai Baht	2.372934

GAS NEWS

M/s K&K INDANE SERVICE
Booking upto sl.no 100 A&B of 06/02/2021
Valid from 28/01/21
Time 7.30 to 11am
CANCHI INDANE SERVICE
BOOKING UPTO 03/02/21
VALID FRROM 29/01/21
HOME DELIVERY
CONTACT NO
KWAKEITHEL 9774616525 , 6909634960 & 8794191632
NAOREM LEIKAI 7005210401 & 7005352782
TIMING 08.00 to 10.00am
MAHALAKSMI INDANE GAS
Bk. upto 16-1-2021
valid from 11-1-2021
Home delivery only
Cont. Timing - 8 am to 11 am.
For Office plz cont.
9862312969 # 8414929709,
For home delivery plz cont.
8414944010, 7005573790, 9366735870,
Booking : After 15 days from delivery.
M/S MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
Booking Upto 14.2kg-01/03/2021
Valid from-11/02/2021
***19kg Available
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM.
HARAN VALLEY, KWAKTA.
Booking up to: 03/03/2021
Valid from: 16/02/2021
Please contact mobile no.
7085412191
Time: 7:30am to 11:00am
KHONGNANG GAS AGENCY, NINGTHOUKHONG
Booking up to:06/03/2021
Valid from: 21/02/2021
Please Contact: 7085412119, 7085411559
Time: 7:30am to 10:30 am.
LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING
BOOKING UP TO-- 18-01-2021
VALID FROM 11-01-2021
STOCK : 612
HOME DELIVERY ONLY.
CONTACT NOS: 9862836403, 8415050488, 9862283423
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM
TANGLEI GAS OINAM
V/f- 21-02-21
B/upto - 22-02-21
Stock - 306
7am to 10am
TDK GAS
BK UPTO 08/01/21
VF.04/01/21
HOME DELIVERY
ONLY CONTACT NOS.
6909614353/8731992324.
CALL TIMING 9:00 am to3:00pm
HRANGCHAL GAS AGENCY
VALID FROM: 09/02/2021
BOOKING UPTO: 17/02/2021
BOOKING AND ENQUIRY ONLY: 03852444677
TIMING: 8:00 AM to 12:00 PM
JRONGMEI SK INDANE WANGOI
Bking upto 01/01/21
Valid from 29/12/20
Stk 306
Timing-6am to 9am.
Home Delivery (Contact no. 8119073029/8974426830)
MM GAS SERVICE
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING 8:00 AM TO 12:00 noon
BOOKING : 11.01.21
VALID : 05.01.2021
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST
8131942156, 7630902992, 7085198900
ONLY FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544,8787630773,9089370369
DELIVERY WITHIN 3 DAYS
MANIPUR GAS SERVICE
Booking up to 11/02/2021
Valid from 23/01/2021
Home Delivery Only....
Contact no : 8730954041, 8259969582
Office Timing: 8amto12.00noon
Note:- DELIVERY TIME WILL TAKE 4 DAYS

ডা. নিমাইচান্দনা অন্দ্রোদা বাই ইলেক্সন তৌহনবীদনবা হায় কোর্টতা ৱাকৎলক্লে

ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচএনএস):

কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলদা ইম্ফাল ইষ্টকী ৭-অন্দ্রো এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদগী কোংগ্রেসকী টিকেটতা রিটর্ন কেন্দদেট ওইরকখিবা থৌনাওজম শ্যামকুমারবু কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী টেন্থ সেদ্যুল্ডগী মখাদা স্পিকরগী ত্রাইব্যুনেলনা মার্চ ২৮, ২০২০দা দিসক্বালিফাই তৌখিবদগী হাঙদুনা লৈরক্লিবা এ সী অসিগী বাই ইলেক্সন পাঙথোক্লবগীদমক মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং পাঙথোকহনবীখিনু হায়দুনা মীখল অদুদা বি জে পিগী মীরেপ ওইখিবা ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা সিভিল রিট পিটিসন অমা ফাইল তৌরক্লে।

ডা. নিমাইচান্দ লুৱাং (৭১) অপোকপা লৈখিদ্রবা নহাকপম থম্বৌ, য়াইরিপোক য়াম্বেমদা লৈবনা পিটিস্নর ওইদুনা মহাক্কী সিভিল রিট পিটিসন অসি ঙসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌখিবনি।

মহাক্না তৌখিবা পিটিসন অসি কোর্ট অসিনা লৌখৎখিবগা লোয়ননা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর ২৫৪ ওফ ২০২১ ওইনা লৌখৎখ্রে। লোয়ননা সিভিল রিট পিটিসন অসি হয়েংমক খন্ননবগীদমক জষ্টিস লানুসুংকুম জামিরগী বেঞ্চতা আইটেম নম্বর ২দা লিষ্ট তৌখ্রে। পিটিস্নরগী মায়কৈদা কাউন্সেল অজয় পেবমনা লেপকদৌরি।

সিভিল রিট পিটিসন অসি ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) গী চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নর অমসুং লম্ফেল পাৎতা লৈবা চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর (সী ঈ ও) বু রেসপোন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লগা মখোয়গী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবনি। পিটিসন অসিদা পিটিস্নরনা ফোঙদোক্লিবনা সিট হাংদুনা লৈরক্লিবা অন্দ্রো এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী বাই ইলেক্সন পাঙথোক্লবগীদমক রেসপোন্দেন্ট অনী অসিগী মায়কৈদগী লৌখৎলকপা থবক থৌরমশিং 'কিপ ইন এবিএন্স' তা থম্বীয়ু হায়বসিনি। মরমদি ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংনা পিটিস্নর ওইদুনা এ সী অসিগী এম এল এ ওইরম্বা টি ঐচ শ্যামকুমারগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ৪ ওফ ২০১৭ অদুগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর চৎলিবা থা অসিগী ১দা লাউথোকখ্রে হায়বগা লোয়ননা জজমেন্ট অদুগী মায়োক্তা রিপ্রজেন্টেসন ওফ পিপলস এক্ট, ১৯৫১গী সেক্সন ১১৬ এগী মখাদা আপিল ফাইল তৌনবগী পীরিবা নুমিৎ ৩০নিগী মতম অদু শুদ্রিবফাওবদি অন্দ্রো এ সীদা বাই ইলেক্সন পাঙথোক্লবগীদমক থৌরাং তৌহনবীগনু হায়বসিনি।

লোয়ননা থা অসিগী ৩দা পিটিস্নরগী মায়কৈদগী ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী সেক্রেটরি অমসুং মণিপুরগী চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসরদা এদ্রেস তৌদুনা পীশিনখিবা রিপ্রজেন্টেসন অদুবু খন্নদুনা দিসপোজ তৌনবগী দিরেক্সনশিংসু অন্দ্রো এ সীগী বাই ইলেক্সন পাঙথোক্লবগী ফাইনেলাইজেসন তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা রেসপোন্দেন্টশিংদা দিরেক্সন পীবিয়ু হায়বসিনি।

পনবা য়াবদি, পিটিস্নরগী মায়কৈদগী থা অসিগী ৩দা পীশিনখিবা রিপ্রজেন্টেসন অদুদা মহাক অন্দ্রো এ সীদা বি জে পিগী কেন্দিদেট অমা ওইখি হায়বগা লোয়ননা মহাক্কী মায়কৈদগী এ সী অসিগী রিটর্ন কেন্দদেট অমসুং অতোপ্পা মীওই অমগী মথক্তা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ৪ ওফ ২০১৭ ফাইল তৌখিবনি হায়খি।

ইলেক্সন পিটিসন অদুগী মতাংদা পীখিবা জর্জমেন্ট অদুগী সর্টিফাই কোপি পীবিনবগীদমক হায় কোর্টতা এপ্লিকেসন ফাইল তৌদুনা হৌজিক মদুবু ঙাইরি হায়বগা লোয়ননা জজমেন্ট অদুগী মায়োক্তা আপিল তৌবা য়াবগী পীরিবা মতম অদু লোইদ্রিবা ফাওবদি বাই ইলেক্সন পাঙথোক্লবা থবকশিং পায়খৎপীখিগনু হায়খিবনি।

HL Poll

Q: Leingakna meetei/meiteibu scheduled tribeki listta chalhannaba thourang loukhatlakkani haibagi thajaba leibra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak
www.hueiyenlanpao.com
da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Meepum khudingmak masagi aningba-apamba fongdokchanabagi fundamental right fangle haina loubra?

Yes 14% No 86%

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৩.২৬ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১০.৩৫ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.২৪ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.২৮
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.২১

'নুপীশিংগী পুন্সি মহিং ফগৎহন্নবা হোৎনরক্লি'

ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচএনএস):

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী লিচিং মখাদা লৈঙাক্লা নুপীশিংগী পুন্সি মহিং ফগৎহন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি হায়না সোসল ৱেলফেয়র মিনিষ্টর হেনরি ওক্রমনা ফোঙদোকখ্রে।

সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোকপা ইন্টরনেসনল ৱিমেন্স দেগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা মিনিষ্টরনা হায়খি, লৈঙাক্লা নুপীশিংগী মতিক ময়াই হাপকৎনবা থৌরাং কয়া লৌখৎলে। নুপীশিংগী অখন্নবা ৱেলফেয়র স্কিম কয়ামরুম থবক্তা ওন্থোক্লে। মণিপুরগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা এসেমব্লিদা হন্দক্তা জেন্দর বডজেট ষ্টেটমেন্ট পুথোকখি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী এন্যুএল বডজেট লুপা লাখ ৪০ ওইরম্বদগী লুপা ক্রোর ১দা হেনগৎলে হায়না পল্লদুনা মহাক্লা হায়খি, মীপূম খুদিংমক্লা নুপীবু হন্থবা থাক্তা থম্বা অমসুং তাথী-তাওইনা তৌবগী থৌওং মপূং ফানা লাকশিন্নবা থৌরাং লৌখৎমিন্নবা মথৌ তাই। কন্সটিট্যুসননা পীবা রাইটশিং মপূং ফানা ঙাক্তুনা নুপা অমদি নুপীগী মরক্তা খেন্নবা লৈহন্দনবা হোৎনগদবনি। ইন্টরনেসনল ৱিমেন্স দেগী থৌরম পাঙথোকপগা ইরোয়নবা জেন্দর ইক্বেলিটিগী মতাংদা মীপূম খুদিংমক ৱাখল তাহন্নবা থৌরাং লৌখৎপা মতম ওইরে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা 'মেন ফোর ৱিমেন' এৱার্দ পীদুনা সোসল ৱেলফেয়র মিনিষ্টর হেনরি ওক্রমদা ইকায়খুম্নবা উৎখি। তোঙান তোঙানবা শিনফমদা লৈরিবা মীওই কয়াসু নুপীগী রাইট ফংহন্নবা হোৎনবগা মরী লৈনবা থবক তৌবগীদমক ইকায়খুম্নবা উৎখি।

মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেননা নেসনল কম্মিসন ফোর ৱিমেন অমদি ধনমঞ্জুরি কোলেজ ওফ আর্টসকা খূৎশম্নদুনা 'মেন ফোর ৱিমেন' হায়বা ৱাখল্লোনগী মখাদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা ত্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর বুংজাগিন বালটে, মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চ্যেরপর্সন ডা. বিনোতা মৈনম, দেপ্যুটি কম্মিস্নরশিং, সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস অমদি তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্ট কয়াগী মকোকশিংসু শরুক য়াখি।

অটসুমগী বন্দ অমসুং ব্লোকেদ শৌগৎনরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচএনএস):

ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল (এ দি সী) শিংগী মীখল মতম চানা পাঙথোক্তবগী মায়োক্তা ওল ত্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (অটসুম) না কৌরিবা বন্দ অমদি ইকনমিক ব্লোকেদকী খোঙজং শৌগৎনরক্লি।

নাগা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন চান্দেল (এন এস য়ু সী) না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, অটসুমগী লিচিং মখাদা ত্রাইবেল মীয়াম্না এ দি সীগী মীখল মতম চানা পাঙথোকপীনবা লৈঙাক্তা তকশিন্দুনা লাকখি। গভর্ণর, হিল এরিয়াজ কম্মিটি অমদি লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংদা মেমোরেন্দম পীশিন্দুনা থা ৬/৭ লোম তকশিন্দুনা লাক্লবসু হীরম অসিগী মতাংদা মতিক চাবা থবক অমত্তা পায়খৎলকপা লৈত্রি। ত্রাইবেল মীয়ামগী খোল্লাউ তাবীদবা মরম্না চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা অটসুমনা কৌরিবা পুং ২৪গী বন্দ অমসুং মতুং তারকপদা চঙশিনগদবা খোঙজং পুম্নমক্তা মপূং ফানা শৌগৎলগনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, কুকি ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন মোরে ব্লোক্কী চেরোল অমনা হায়, এ দি সীগী মীখল পাঙথোক্লবগী মতাংদা অটসুমনা ষ্টেট লৈঙাক্লা য়ান-চে খূৎয়েক পীনখিবা তারবসু হৌজিক ফাওবা থবক ওইনা পায়খৎলক্ত্রে। লৈঙাক্কী থৌশাদবা মতৌ উরগা মার্চ ৫দা পাঙথোকখিবা অটসুমগী জেনরেল এসেমব্লিনা লৌখিবা ৱারেপ মতুংইন্না মার্চ ১২গী অহিং নোংয়াইদগী হৌনা চীংগী দিষ্ট্রিক্ট পুম্নমক্তা পুং ২৪গী টোটেল বন্দ লাউথোক্লে। মতুং তারকপদা মতম কক্তনা ইকনমিক ব্লোকেদকী খোঙজং চঙশিন্নবা ফিরেপসু লৌরে। মার্চ ১১ ফাওবগী মনুংদা এ দি সীগী মীখল পাঙথোক্লবা নোটিফিকেসন থোক্তবদি বন্দ অমসুং ব্লোকেদকী খোঙজং চঙশিল্লগনি। হায়রিবা অটসুমগী ফিরেপ অসিদা কে এস ও মোরে ব্লোকনা মপূং ফানা শৌগৎলগনি। ত্রাইবেল মীয়াম্নসু খোঙজং অসিদা মপূং ফানা শৌগৎপীনবা আপিল তৌরি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

হনি বী ভিলেজ ওইনা লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচ এন এস) :

উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী খামাসোম ৱালেলি খুঙ্গংবু ইনর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম পি ডা. আর কে রঞ্জননা হনি বী ভিলেজ ওইনা লাউথোকখ্রে।

আই সী এ আর রিসার্ছ কমপ্লেক্স ফোর এন ঈ ঐচ রিজন মণিপুর সেন্তর (কে ভি কে-উখ্রুল); অপূনবা ইমাগী মচাশিং (এ আই এম এস) অমসুং খামাসোম ৱালেলি ভিলেজ ওথোরিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ডা. আর কে রঞ্জননা ৱাফম অসি লাউথোকখিবনি।

য়ং একাদমি, খামাসোম ৱালেলিগী প্রিন্সিপল কে ভারেয়োনা ৱাহৌদোক পীদুনা হৌদোকখিবা থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ জুলোজিগী হেদ প্রোফেসর এন মোহিলাল মৈতে অমদি ইন্সটিট্যুট ওফ বাইওরিসোর্সেস এন্দ সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট (আই বি এস দি) ইম্ফালগী সাইন্টিষ্ট-দি ডা. চিঙাখম ব্রজকেশ্বরনা ৱা ঙাঙখি।

কে ভি কে উখ্রুলগী হেদ ডা. সোলৈ লুরামনা কি নোট এদ্রেস পীখিবগা লোয়ননা খামাসোম ৱালেলিবু হনি বী ভিলেজ ওইনা লাউথোকপগী মতাংদা ৱাফম কয়ামরুম ফোঙদোকখি।

হীরম অসিগী মতাংদা এ ই এম এসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, খামাসোম ৱালেলি ভিলেজদা নেস্নেল স্লোপলেন্দ হনি বী রিসার্ছ ইন্সটিট্যুট অমা হাংদোকপীনবা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ডা. আর কে রঞ্জননা নেস্নেল হনি বী রিসার্ছ ইন্সটিট্যুট অমা হাংদোক্নিংবগী ৱাফম ফোঙদোকখি। দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্কী পোথোক অমমম পুথোকপা হায়বা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মঙলান মঙফাওনহন্নবা খুঙ্গং খুদিংগী পোথোক অমমম পুথোকপা মথৌ তাই।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা খামাসোম ফুংরৈদা য়োংচাক পাম্বী কয়ামরুম থাখিবগা লোয়ননা খামাসোম ফুময়ারদা লী অমসুং ৱা থাখি।

চয়োল ১ চথুগদবা লূ-নালহনবগী থৌরম হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচএনএস):

চয়োল অমা চূপ্পা চথুগদবা লূ-নালহনবগী থৌরম অমা সোসল ৱেলফেয়র অমসুং মাহুদ মিনিষ্টর হেনরি ওক্রমনা ঙসি খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা হৌদোকখ্রে।

খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী মফম পুম্নমক তরু-তনান্না থম্বগা লোয়ননা অমুক্তং শীজিন্নরগা লংথোকপা প্লাষ্টিক শীজিন্নবা থিংবগী মতাংদা মীয়াম্বু ৱাখল তাহন্নবগী পান্দমদা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা মাহুদ দিপার্টমেন্টকা খূৎশম্নদুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা মিনিষ্টর হেনরি ওক্রমনা হায়খি, লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংশিং মায় পাকহন্নবা হোৎনবদা মীপূম খুদিংমক্লা মপূং ফাবা কোওপরেসন পীবা তঙাইফদে। ইম্ফালবু তরু-তনানবা সিটি অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা মীয়াম পুম্নমক অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নগদবনি। অমুক্তং শীজিন্নরগা লংথোকপা প্লাষ্টিকনা ইনভাইরনমেন্টতা শোকহনবগী ৱাফম মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহন্নবা এৱ্যের্নেস কেম্পেয্যন পাঙথোক্কনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

মিনিষ্টরনা হায়খি, চহী খুদিংগী ওইনা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল/কোর্পোরেসন অমদি ৱার্দশিংগী মরক্তা অথোই অহেন তান্নবগী থৌরম পাঙথোক্তুনা ষ্টেট অসিগী মফম পুম্নমক তরু-তনান্না লৈহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি। খ্বাইদগী লূ-নানবা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, কোর্পোরেসন অমদি ৱার্দশিং মকোক মথং খনগৎলগা এৱার্দ পীনবা হোৎনরগনি।

ক্লিনলিনেস দ্রাইভ হৌদোকপগী থৌরমদা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী মেয়র লোকেশ্বর, প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (মাহুদ) পি কে সিংহ, কম্মিস্নর (রুরেল দিভেলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজ) নিধি কেসরৱানি, ইম্ফাল ৱেষ্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর নাওরেম প্রবিন, দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস কে মেঘচন্দ্র, মাহুদকী দিরেক্টর টি ঐচ হরিকুমার অমদি অতৈ ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি আই সী দি এস সেলনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী টাউন কম্মিটি অমদি সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগা খূৎশম্নদুনা ক্লিনলিনেস দ্রাইভ চথখ্রে।

লৈঙাক্কী লোইশঙশিং, লম্বী, স্কুল অমদি হোস্পিটালনচিংবা লূ-নালহনবগা লোয়ননা অমুক্তং শীজিন্নরগা লংথোকপা প্লাষ্টিক শীজিন্নবা থিংনবগী পান্দমদা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা পুরুলগী এস দি ও রোনাল্ডনা হায়খি মদুদি লৈঙাক্লা চীং অমদি তম অনীমক থোং মান্ননা চাওখৎহন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎলক্লি। অহোংবা কয়া লাকপগা লোয়ননা বন্দ অমদি ব্লোকেদ তৌখিদ্রে। স্বছ ভারত মিসনগী মখাদা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টপু কুমজা ২০১৮গী মার্চ ২৭তা 'ওপন দিফেকেসন ফ্রী' ওইনা লাউথোকখ্রে।

মার্চ ২০দগী হায় কোর্ট, দিষ্ট্রিক্ট কোর্টশিংগী ফিজিকেল কোর্ট হৌরগনি

ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচএনএস):

ঙসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী রেজিষ্ট্রার জেনরেল এ গুনেশ্বরনা থোকখিবা নোটিফিকেসন নম্বর ১০৪গী মতুংইন্না হায় কোর্ট ওফ মণিপুর য়াওনা ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট/ত্রাইব্যুনেলশিংবু ফিজিকেল কোর্ট হিয়ারিংগী থবক থৌরমশিং লাক্লিবা থা অসিগী ২০দগী মহৌশাগুম অমুক হন্না চথবা হৌরগনি হায়রি।

নোটিফিকেসন অসিনা মখা তানা হায়, অনৌবা কেসশিং/এপ্লিকেসন/দোক্যুমেন্ট/এফিদেভিটনচিংবা ফাইল তৌবগী থবক হায় কোর্ট অমসুং দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট/ত্রাইব্যুনেলশিং অসিদা হার্দ কোপিশিং ওইনা ফাইল তৌরক্কদবনি হায়রি। অদুম ওইনমক হার্দ কোপিশিং অদুগী চপ মান্নবা সোফ্ট কোপিশিংসু ঈ-মেল ফাইলিংগী খূৎথাংদা ফাইল তৌরক্কদবনি হায়রি।

অদুম ওইনমক থবক থৌওংশিং অসি মতম মতমগী মতুংইন্না রিভিয়ু অমসুং মোদিফিকেসন তৌরকপা য়াই হায়রি। লোয়ননা থা অসিগী ২০দগী হৌগদৌরিবা কোর্টশিং অসিগী ফিজিকেল হিয়ারিংশিং অসি মপূং ফানা মহৌশাগুম চথনবগীদমক তোঙান তোঙানবা পোইন্ট ১৯ য়াওবা গাইদলাইনশিংসু নোটিফিকেসন অসিনা ফোঙদোকখি।

কোর্ট পুম্নমক্তা অমুক হৌগদৌরিবা কেসশিংগী ফিজিকেল হিয়ারিংগী থবকশিং অসি ফেজ/লিমিটেদ ওইবা মওংদা হৌগনি। নোংমদা ম্যেন কেস ২০দগী হেন্না পায়খৎলোই হায়বগা লোয়ননা বেল/জিমা এপ্লিকেসনশিংসু ম্যেন কেসশিং ওইনা লৌগদবনি হায়রি। পনবা য়াবদি, ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মায়োক্নরকখিবদগী কোর্টশিং অসি রেগ্যুলেট তৌদুনা লাকখিবনি।

চীফ সেক্রেটরিনা সুপ্রিম কোর্টতা এস পিগী পোষ্ট ১৭ অমদি...

লামায় ১গী মখা...সেক্রেটরিগী এফিদেভিট অদুদা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী দি এল ওগী লেভেলদা লৈরিবা এস পি খরা য়াওনা পোষ্ট অসিগী ফম ১৭ অমসুং মণিপুর রাইফলস (এম আর)/ইন্দিয়া রিজার্ভ বট্টালিয়ন (আই আর বি) নচিংবশিংগীনা সী ও ১৪গী ফমশিং ইন-চার্জশিংনা পুরি হায়দুনা ফোঙদোকখি।

চীফ সেক্রেটরিনা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ফাইল তৌখিবা অনীশুবা মহাক্কী এফিদেভিট অদুদা ইন-চার্জশিং সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (এস পি) শিং ওইনা পুরি হায়দুনা ফোঙদোকখিবশিংদা য়াওরিবশিংনা এস পি/জিরিবাম, এস পি/সী পি সী আর, এস পি/উখ্রুল, এস পি/কামজোং, এস পি/তেংনৌপল, এস পি/ত্রাফিক, এস পি/ককচীং, এস পি/নার্কোটিক এন্দ এফেয়রস ওফ বোর্দর (এন এ বি), এস পি/সী আই দি (সিক্যুরিটি), এস পি/স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি), এস পি/ইম্ফাল ৱেষ্ট, এস পি/সী আই দি (টেক্নিকেল), এস পি/সী আই দি (স্পেসল ব্রাঞ্চ), এস পি/থৌবাল, এস পি/ক্রাইম এগেনষ্ট ৱিমেন এন্দ চিলদ্রেননি। অদুগা এদিসনেল এস পিশিংদা এস পিগী থবক থৌরমশিংসু লুক অফটর তৌহল্লি হায়রিবশিংনা এদিসনেল এস পি/ফেরজোল অমসুং এদিসনেল এস পি/চান্দেলনি।

অদুগা কম্মান্দেন্ট/কম্মান্দিং ওফিসরগী ইন-চার্জশিং ওইনা পুরি হায়না সুপ্রিম কোর্টতা ফাইল তৌখিবা এফিদেভিট অদুদা য়াওরিবশিংনা সী ও/১০-ইন্দিয়া রিজার্ভ বট্টালিয়ন, সী ও/৮শুবা মণিপুর রাইফলস, সী ও/৮শুবা ইন্দিয়া রিজার্ভ বট্টালিয়ন, সী ও/৬শুবা আই আর বি, সী ও/৭শুবা আই আর বি, সী ও/২শুবা আই আর বি, সী ও/৬শুবা মণিপুর রাইফলস, সী ও/৭শুবা এম আর, সী ও/৫শুবা আই আর বি, সী ও/৯শুবা ইন্দিয়া রিজার্ভ (মহিলা) বট্টালিয়ন, সী ও/২শুবা এম আর, সী ও/এস দি আর এফ, সী ও/হোম গার্দনি। অদুগা দেপ্যুটি কম্মান্দেন্টদা সী ওগী চার্জ লুক অফটর তৌহল্লি হায়রিবনা অহানবা আই আর বিনি।

এফিদেভিট অদুদা ইন-চার্জশিংনা চার্জ পুহল্লি হায়দুনা ফোঙদোকখিবশিংগী মনুংদা এস পি অমসুং সী ওশিংগী মথক্তা এ দি/মণিপুর পুলিস ত্রেনিং কোলেজ (এম পি টি সী) গী পোষ্ট মরিসু য়াওরি।

অমরোমদা, এপেক্স কোর্ট অসিদা অহানবা ওইনা থা অসিগী ৬তা ফাইল তৌখিবা এফিদেভিট অদুনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা কুমজা ২০০৭তা দাইরেক্ট রিক্রুটতা এপোইন্টমেন্ট পীখিবা এম পি এস ওফিসরশিংবু 'ইন-চার্জ' বেসিসতা মথৌ পাঙথোক্লি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি। লোয়ননা কুমজা ২০০৭তা দাইরেক্ট রিক্রুট অমসুং প্রমোটিশিংদগী মণিপুর পুলিস সর্ভিস (এম পি এস) ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীখিবশিং অদু রেগ্যুলর বেসিসতা এম পি এস গ্রেদ ৱান্দা প্রমোসন পীখ্রে হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

ওফিসরশিং অসিবু এম পি এস গ্রেদ ৱানদা প্রমোসন পীখিবা অদু কুমজা ২০১৪গী ফেব্রুৱারী ১৮, জুলাই ৯, ওক্টোবর ২৯ অমসুং দিসেম্বর ২৩ অমদি ২০১৫গী ওগষ্ট ৭ অমসুং ২০১৮গী মে ২৩দা পাঙথোকখিবা দিপার্টমেন্টেটল প্রমোসন কম্মিটি (দি পি সী) শিংনা তৌরকখিবা রেকমেন্দেসনশিংগী মতুংইন্ননি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি। লোয়ননা এম পি এস ওফিসরশিং অসিগী ফাইনেল সিনিয়ারিটি লিষ্ট অমসু দিসেম্বর ২১, ২০২০দা ফোঙলে হায়বা ৱাফমসু কোর্টতা ফোঙদোকখি।

অদুম ওইনমক চীফ সেক্রেটরিনা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ফাইল তৌখিবা এফিদেভিট অনীসিগী মনুংদা খ্বাইদগী পূক্নিং চিংশিন্নীংঙাই ওইরিবদি এম পি এস ওফিসরশিং অসিগী কুমজা ২০১৪, ২০১৫ অমসুং ২০১৮দা তোঙান তোঙান্না পাঙথোকখিবা অপূনবা দি পি সী তরুক অদু দিসেম্বর ২১, ২০২০দা খ্বাইদগী ইকোন কোন্না ফোঙখিবা সেনিয়রিটি লিষ্ট অসিগী মতুংইন্নদি রিভিয়ু তৌবা মথৌ তাই হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি। মসিগীদমক ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পাঙথোকখ্রিবা দি পি সীশিং অদু রিভিয়ু তৌনবা অকনবা থবক লৌখৎলি। অদুগা চয়োল অমগী মনুংদা দি পি সীশিং পাঙথোক্লগনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরিগী মায়কৈদগী সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা থা অসিগী ৬ অমসুং ৭তা অনীরক থোক্লা ফাইল তৌখিবা এফিদেভিটশিং অদু কুমজা ২০০৭তা এম পি এস গ্রেদ টু ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীখিবা প্রমোটি অমদি দাইরেক্ট রিক্রুটশিংগগী মরক্তা করম্বনা সিনিয়ারিটি ওইগদগে হায়বগা লোয়ননা সিনিয়রিটি ওইরবশিংদা মশাগা চান্নবা পোষ্টশিং পীগদবনি হায়দুনা ফাইল তৌরকখিবা সিভিল আপিল নম্বর ৮৮৩৬-৮৮৩৭ ওফ ২০১৯গী ৱায়েল পাঙথোক্লগা এপেক্স কোর্ট অসিনা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরদা য়াওরিবা দিরেক্সনশিং থবক্তা ওন্থোক্ত্রে হায়দুনা ফাইল তৌরকখিবা কন্টেম্প পিটিসন (সিভিল) নম্বর ৩৩৪-৩৩৫ ওফ ২০২০গা মরী লৈননা ফাইল তৌখিবনি।

ত্রেনিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচএনএস): আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েংখাদা অসাম রাইফলসকী চান্দেল বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা ফেব্রুৱারী ১৬তগী থা অমা চূপ্না চথুগদবা নুপীমচাশিংগী প্রী রিক্রুটমেন্ট ত্রেনিং পাঙথোকখ্রে।

মার্চ ১৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা চান্দেল, সেনাপতি, উখ্রুল অমসুং তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী নহা ওইরিবী নুপীমচা ৩২৫না শরুক য়ারি। আর্মি, অসাম রাইফলস, সেন্ত্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সেস অমসুং অতৈ গভর্ণমেন্ট সর্ভিসতা থবক চঙনীংবা নুপীমচাশিংগীদমক খল্লগা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি। ত্রেনিংদা শরুক য়ারিবা নুপীমচাশিংবু মিলিটরি নর্সিং সর্ভিস এগজামদা শরুক য়াহনবগা লোয়ননা আর্মদ ফোর্সেসতা ওফিসর ওইনা থবক চঙহন্নবগী মতাংদা তাকপী তন্বীরি। ত্রেনিংগী শরুক অমা ওইনা মোক রিটর্ন টেষ্ট, এপটিচ্যুদ টেষ্ট অমদি ফিজিকেল ত্রেনিং নিংথিনা পাঙথোক্লি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোক্লি।

ওন্নখিবা

পাউ চে অসিগী ঙরাংগী এদিসন্দা হাপখিবা 'ওক লোইবনা অতেনবা মতমদা শেন্দোং চাওনা ফংহনবা ঙন্মী' হায়বা পাউদা এম এস অভিয়ান হাউসকী প্রোপ্রাইটর চোংথাম রুপদত্ত হায়না ইখিবদু চোংথাম ধ্রুবতরা হায়গদবনি। ওন্নখিবা অসিগীদমক পাউ চে পাবীরিবশিংনা ঙাকপীগনি। *- এদিটর*

মার্চ ১৫ অমদি ১৬কী বেঙ্ক ষ্ট্রাইক মীয়াম্না শৌগৎপীয়ু ...

লামায় ১গী মখা... রুরেল দিভলপমেন্ট, মিদিয়ম ইন্দষ্ট্রিজ অমদি এগ্রিকলচরনচিংবা তোঙান-তোঙানবা হীরম কয়াদা চৈথেং পীরক্তুনা মাঙজগদৌরিবা অসি মীচম মীয়ামদনি। মরম অদুনা প্রাইভেটাইজেসন তৌনবগী থৌরাং অসিগী মায়োক্তা লেপমিন্নবা চঙই। ফেব্রুৱারী ৯দা য়ুনাইটেদ ফোরম ওফ বেঙ্ক য়ুনিয়ন্সনা হায়দরবাদতা লৌখিবা ৱারেপ অমগী মতুংইন্না নুমীৎ নীনি চুপ্পা ষ্ট্রাইক তৌবগী খোঙজং চঙশিনগদবনি।

লৈঙাক্না হৌজিক লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসি মমাঙথক্তা নেসনলাইজ বেঙ্ক ওইদ্রিঙৈদা কোর্পোরেটনা পায়শিল্লম্বা বেঙ্কশিং নেসনল দিভলপমেন্টদা মতেং পাংদে হায়দুনা বেঙ্কশিং অদু নেসনলাইজ তৌখিবগী ওন্ন-তৈনবা মওংদা চৎথরকপা থৌওংনি। থৌওং অসিনা লৈবাক মীয়ামদা মায়োক্নহনগদবা অৱাবশিং অদুদগী কন্নবা হোৎনরিবা অসিদা লৈবাক মীয়াম্নসু সপোর্ট তৌবিয়ু হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা য়ুনাইটেদ ফোরম ওফ বেঙ্ক য়ুনিয়ন্সকী কো-কনভিনর এস ইন্দ্রকুমারনা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়াগী বেঙ্কর্কী পুৱারীদা প্রাইভেট বেঙ্ক ২৬৩ ফেল ওইখি। হায়রিবা ফেল ওইরবা বেঙ্কশিং অসি মুথৎকদবনি হায়না মতম অদুগী লৈঙাক্লা ৱারেপ লৌবগী মহুৎতা ফেল ওইরবা বেঙ্কশিং অদু পুনশিনহল্লগা বেঙ্ক ১৪ নেসনলাইজ তৌখি। অদুবু হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা বেঙ্কশিং পব্লিককী ইন্টরেষ্টতা থবক তৌবা ঙমদ্রে মরম অদুনা বেঙ্কশিং অসি প্রাইভেটাইজেসন তৌগদবনি হায়রি। অখন্নবা মীওই খরখক্তদা বেঙ্ককী খুদোংচাবা ফংলম্বা অদু ঙসি লৈবাক অসিগী অথাপ্পা খুঙ্গং অমদি লোয়জিং-লোয়া ফাওবা বেঙ্ককী কান্নবা ফংলিবা অসি বেঙ্কশিং নেসনলাইজ তৌখিবদগীনি। নেসনলাইজ বেঙ্ক ২৭ লৈরম্বদগী হৌজিক ১২ খক্তা ঙাইরে। লৈরিবা বেঙ্ক খরা অসিসু প্রাইভেটাইজেসন তৌরগনি হায়বসি বেঙ্ক ইমপ্লোয়শিংনা য়ানিংদে। জিরো বেলেন্সতা জনধন একাউন্ট ক্রোর ৪১গা লাক্ষ ৭৫ হাংখি। মসিগী মনুংদা একাউন্ট ক্রোর ৪০গা লিশিং ৫০ পব্লিক সেক্টরদা লৈরিবা বেঙ্কশিংদা হাংখি অদুগা শুপ্নগী একাউন্ট ক্রোর ১.২৫ খক প্রাইভেট বেঙ্কশিংদা হাংখি। পুম্নমক অসি খঙনা-খঙনা লৈঙাক্লা পায়খৎলক্লিবা থৌরাং অসিদি লৈবাক মীয়ামগী করিমত্তা খন্দ্রে হায়না তাকপনি।

য়ুনিয়ন্না লেপচরিবা ফীরেপতি সেভ বেঙ্ক, সেভ দি নেসন হায়বসিনি। য়ুনাইটেদ ফোরম ওফ বেঙ্ক য়ুনিয়ন্সনা চঙশিনগদৌরিবা খোঙজং অসি ট্রেদ য়ুনিয়ন ১০নসু সপোর্ট তৌরি। মসিগী মতুংদা ইন্স্যুরেন্স কম্পনি কয়ানসু থবক লেপ্পগী খোঙজং চংশিল্লক্কদৌরি। য়ুনিয়ন অসিনা লৈবাক মীয়াম য়াইফনবগী মতাংদা চঙশিনগদৌরিবা খোঙজং অসিদা মীয়াম্নসু মতেং পাংবিয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

পাউগী মীফম অদুদা ওল ইন্দিয়া বেঙ্ক ওফিসর কনফিদরেসনগী এক্টিভ মেম্বর এম নিমাইনা হায়, মার্চ ১৫ অমদি ১৬ ওল ইন্দিয়াগী ওইনা বেঙ্কশিং ষ্ট্রাইক তৌবা হায়না লেপখ্রে। ষ্ট্রাইক অসি নুমীৎ নীনি চৎথগদবা ওইরবসু মার্চ ১৩না সেকেন্দ সেটরদে অমদি মার্চ ১৪না সন্দে ওইবা মরম্না নুমীৎ মরিনি বেঙ্ক হাংলোইদৌরি। মরম অদুনা মীয়াম্না তঙাইফদবা বেঙ্ককী থবকশিং লৈরগদি মার্চ ১৩গী মমাংদা তৌবিনবা হায়জরি। মদুনা মীয়ামনা থেংনগদবা অৱাবশিং অদুদগী খরদং ওইরবসু কোকপা ঙমগনি। লোয়ননা মীয়াম্নসু বেঙ্ক ইমপ্লোয়ীশিংনা চঙশিনগদৌরিবা খোঙজং অসিদা মতেং পাংবিয়ু হায়নসু আপিল তৌখি।

KINGDOM
Govt. Regd.No. 422 of 2020
AVIATION COURSE
SPOKEN HINDI
SPOKEN ENGLISH
COMPUTER (NIELIT)
STOCK MARKET
ADMISSION OPENS
FOR ALL COURSES NOW
SIR NAOBI LOITONGBAM
- 21 YRS. TEACHING EXPERIENCE
- 3 MTHS. AT IT CALL CENTRE AS A TRAINER
- 2 MTHS. AT AIR (ALL INDIA RADIO) IMPHAL
- 1 MTH. IN MYANMAR / BURMA AS A TRAINER (SPONSORED BY SAT, GOVT. OF MANIPUR)
- MULTIPLE SCHOOLS & COLLEGES AS A TRAINER (SPONSORED BY UGC)

#7005622203, 6009124946

ONLY AVIATION COURSE STARTS FROM 12th APRIL 2021
Aviation Staff
H. NANDITA DEVI
BBA(h) Tourism & Hospitality Management,
Ex-Cabin Crew Kingfisher - 4 yrs.
Qatar Airways - 3 yrs
K. BIDYARANI DEVI
Air India Sats - 3 yrs, Bangalore
Indigo Airline, Imphal Airport since 2017 till date
RAKESH N.
Mr. Reso King Manipur 2011.
Resencal Manhunt Manipur 2014.
Fair & Lovely Mega Mr. North East 2015.
Rubaru Mr. India 2018 Best Ramp walk
S. KANCHAN CHANU
Miss G.P. Women's College 2014,
Manfete Queen 2015 - 1st Runner Up,
Miss Ougri Photogenic 2015,
Miss Manipur Queen 2017,
Miss India Manipur 2017
Computer Courses :
Tally GST, CCC, CCP, C/C++, DTP, DCA (3/6 mths.), etc
100% Job Placement Assistance
Address: IIIT Building, Old Lambulane Opp. G.P. Women's College Main Gate
Keishampat Kangabam Leirak behind Bheigo Hotel (below Apex)
HL-B/6053/8, 9 feb. to 15 March